# ন্যু জিলেন্দদা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগী খোঙজেল শরুক অনী হেনগৎলক্লে: অনৌবা দেটা

ৱেলিংতন, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
ন্যু জিলেন্দদা মমাঙদা পান্নখিবা চাংদগী চহী ২০ দগী ৩০ ফাওবা থুজিন্না সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লে হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা অনৌবা দেটানা উৎখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, হৌজিক লৈরিবা ইন্টরনেসনেল ইন্মিশন হন্থহনবগী পোলিসিশিংদা যুম্ফম ওইরগা মালেমগী সমুদ্রগী ঈমায়গী থাকশিং কুমজা ২১০০ ফাওবগী মনুংদা ০.৬ মিটর ফাওবা ৱাংলকপা য়াই হায়না পান্নরি।

অদুম ওইনমক ন্যু জিলেন্দগী শরুক কয়াদি হৌজিক লৈরিবা লেন্দ সবসিদেন্সনা মরম ওইদুনা শরুক অনী হেনগৎতুনা মিটর ১.২ রোম ফাওবা য়ৌবা য়াই হায়না এনজেদ সি রাইস প্রোগ্রামগী কো-লিদর ওইরিবা ৱেলিংতনদা লৈবা ভিক্তোরিয়া যুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর টিম নাইসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ঐখোয়না হান্না থাজনরম্বদগী হেন্না মতম তেন্না ফংলি। মীয়ামদা থাঙ্গৈশেংনা ঙক্লি ংঙাই ওইরিবদি ন্যু জিলেন্দগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্না তাবা ওকলেন্দ অমসুং ৱেলিংতনগুম্বা রিজনশিংদা অসুম্না থিংবা ঙম্লোইদবা মওংদা সমুদ্রগী ঈমায় হেনগৎলক্লিবসি ঐখোয়না হান্না খন্নরম্বদগী হেন্না থুই।

এনজেদ সি রাইসকী কো-লিদর ওইরিবা ভিক্তোরিয়া যুনিভর্সিটি অমসুং জিএনএস সাইন্সকী রিচার্দ লেভিনা হায়খি, মদুদি ভার্তিকেল লেন্দ মুভমেন্টশিংগী ৱাহন্থোক্তি সমুদ্রগী ঈমায়গী থাক্তা অসুম্না অহোংবা লাক্লিবসি হান্না পান্নখিবা মতমদগী চহী ২০ দগী ৩০ ফাওবা ঙনখৎপা য়াই।

লেভিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ন্যু জিলেন্দগী সমুদ্র মপানগী মফম কয়াদা সমুদ্রগী ঈমায় সেন্টিমিটর ৩০ ফাওবা ৱাংখৎলকপা হায়বসি কা হেনবা ঈশিং ঈচাও লাকপা য়াবগী লেভেলনি। লেভেল অসিগী মথক্তা চহী ১০০ গী মনুংদা সমুদ্র মপানগী নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা অসি চহীগী ওইবা থৌদোক অমা ওইরকপা য়াই।

গভর্নমেন্টনা ফন্দিং তৌবা চহী মঙাগী ওইবা রিছার্স প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা এনজেদ সি রাইসনা লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনেল য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং রিছার্স ইন্সটিট্যুটশিংগী এক্সপার্ট ৩০ পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা ন্যু জিলেন্দদা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগী প্রোজেক্সনশিং হেন্না নীংথিনা অমসুং চুম্না পীবা ঙমহল্লি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রোগ্রাম অদুনা ন্যু জিলেন্দগী সমুদ্র মপানগী কিলোমিটর ২ শাংবা মফম খুদিংগী ওইনা কুমজা ২৩০০ ফাওবদা লৈগদবা তাঙদাংবা লোকেসনগী ওইবা সি-লেভেল হেনগৎলকপগী চাং অদু রিলিজ তৌখি। প্রোজেক্সনশিং অসি অনৌবা ওনলাইন টুল অমগী খুথাংদা য়েংবা য়াগনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অদুগী মতুং ইন্না অহানবা ওইনা ন্যু জিলেন্দরশিংনা মখোয়না লৈরিবা সমুদ্র মপানগী শরুকশিং অমদি অকোয়বদা সমুদ্রগী ঈমায়গী থাক কয়াম্না অমসুং কয়াম থুনা হেনগৎলকপগে হায়বদু উবা ঙম্লগনি।

লেভিনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা প্রোজেক্সনশিং অসি লোকেল গভর্নমেন্টশিংনা কোষ্টেল হাজার্দ অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা থবক তৌবদা ইনভাইরনমেন্ট গাইদেন্স ওইনা শীজিন্নবা য়াহনগনি।

ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং টেম্পরেচর হেনগৎলকপা অসিনা সমুদ্রগী ঈমায়গী থাকশিং হেনগৎহল্লি। অসুম্না ঈমায় হেনগৎলকপগী চাং অসি চাংচৎতা চহীদা এমএম ৩.৫ নি। সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লিবসি ওসিনগী থর্মেল এক্সপান্সন অমসুং কংফালদা লৈবা গ্লেসিয়রশিং শৌদোরকপা অমসুং গ্রিনলেন্দ অমসুং এন্টার্টিক্কী উন মপাকশিং শৌদোরকপদগী থোরকপনি হায়রি।



# ‘প্রসিদেন্ট পুটিন সর্জরি তৌরগনি, এক্স-কেজিবি চীফতা মতম খরগী ওইনা পৱার শীন্নরগনি’

মোস্কো, মে ২ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন কেন্সরগী সর্জরি তৌনবা লেপখিবগা লোয়ননা তঙাই ফদনা মহাক যুক্রেনগী লান কন্ত্রোলগী থবক লেপ্লবা য়াই অমসুং মতম অসিগী মনুংদা হান্নগী এফএসপি চীফ নিকোলাই পাট্রুসেবতা পৱার শীন্নরগনি হায়না ক্রেমলিনগী ইনসাইদর অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

দেলি মেলগী রিপোর্ট অমনা হায়, মশাগী চহী ৭০ শুরবা রসিয়াগী সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইরিবা পাট্রুসেবনা হৌজিক ফাওবদা ৱার ষ্ট্রেটেজিগী মরু ওইবা আর্কিটেক ওইরক্লি। মহাক্না কিভকী মায়োক্তা পুটিনবু লান অসিগী ৱাখল পোকহনবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

ঙক্লিংঙাই ওইরবা ক্লেম অসি টেলিগ্রাম চেনেল জেনরেল এসবিআরদা ফোঙলকখিবনি। জেনরেল অদুনা হায়রিবদি ক্লেম অদুগী ছোর্স অদু ক্রেমলিনগী মশক নাইবা ফিগর অমনি।

ইন্সাইদর ছোর্স অদু পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়, সর্জরি মতুংদা প্রসিদেন্ট পুটিন কয়াম কুইনা থবক তৌবা ঙম্লোইদগে হায়বসি ঐহাক্না হায়বা ঙমদে। মদু মতম শাংগদবদি মান্দে।



পুটিননা পৱার ট্রান্সফর তৌবগী ৱাফম অসি য়ানিংদ্রবসু মহাক রসিয়া অমসুং লানগা মরী লৈনবা থবকশিং মতম খরগী ওইনা কন্ত্রোল তৌনবা অতোপ্পা থাজনিংঙাই ওইবা মীশক অমদা পৱার শীন্ননবদি শেম শারে।

ছোর্স অদুনা মখা তানা হায়, পুটিননা ওপরেসন তৌদুনা মহৌ-শাগুম্না ৱাখল তাবদা চঙগদবা নুমিৎ নীনি নত্ত্রগা হুম্নি ফাওবগী ওইনা রসিয়াবু কন্ত্রোল তৌবগী থবক অসি পাট্রুসেবতা শিন্নগনি। রসিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা প্রাইম মিনিষ্টর খক্তদা পৱার শীন্নবা য়াবনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি ঙক্লিংঙাই ওইরে হায়না দেলি মেলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

জেনরেল এস ভি আরগী রিপোর্টনা হায়, পুটিনগী লায়না অদু এবদোমিনেল কেন্সর অমসুং পার্কিংসন্স দিজিসনি হায়বসি থা ১৮ গী মমাঙদা লেপখ্রবনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মতম অদুদা মহাক্না সর্জরিগী মতম য়ৈথোকখি।

হৌজিক্কী ওইনসু সর্জরিগী মতম অসি রসিয়ানা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা মায় পাকখিবগী নীংশিং নুমিৎ ভিক্তরি ডে মে ৯ গী মাঙওইননদি পাঙথোকখিরোই।

পুটিননা যুক্রেন শীন থুংনা লান চত্থরগনি অমসুং মিলিটরিগী থবক্তা শীজিন্নবা য়াবা রসিয়ন পুম্নমক পাক্তক্লনা মোবিলাইজ তৌরগনি হায়না ঙাঙনবা লৈরিঙৈ মরক্তা রিপোর্ট অসি ফোঙলক্লিবনি।

# নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চ মরক্তা চাইনাগী টোপ ন্যুক এনভোই সিওলদা থুংখ্রে

সিওল, মে ২ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংশিংনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা ফিভম লৈহল্লিঙৈ চৈরক্তা চাইনাগী টোপ ন্যুক্লিয়র এনভোই সাউথ কোরিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবগা ৱারী শান্ননবগীদমক সিওলদা থুংখ্রে।

কোরিয়ন পেনিন্সুলা এফিয়ার্সকা মরী লৈনবা স্পিসিএল রিপ্রজেন্টেটিব লিয়ু জিয়াওমিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না হৌজিক ফম পায়রিবা ওফিসিএলশিং অমসুং লাক্কদবা গভর্নমেন্টশিংগী ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ইস্যুশিংগী মতাংদা পোলিটিকেল সোলুসনশিং পুরক্নবা খন্নগনি।

পন্দুনা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী মতাংদা পল্লদুনা এনভোই অসিনা হায়খি, মদুদি কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ইস্যুশিং লৈখায় তাবা হায়বসি যুএস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মখা পোনগনি, চাইনাগী মখা পোনগদবা নত্তে।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিংগী মতাংদা মহাক্কী ফিরেপ করিনো হায়না হংবদা এনভোই অসিনা হায়, কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দবগী ৱাফমশিং ঐখোয়না শৌগৎলবসু লৈবাক খুদিংমক্কী সেক্যুরিটিগী ৱাফম অসি খন্নফম থোকই হায়না ঐহাক্না থাজে।



মরম অদুনা ঐখোয়না মপানদা উরিবা কয়া খন্নবগী মথক্তা মখোয়গী হৌরকফমশিংসু খন্নগনি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎহনগদবা তাথিবগী থবক থৌওং খুদিংমক ঐখোয়না য়াদে। সাউথকা তান্নদুনা কোরিয়ান পেনিন্সুলাগী ইস্যুশিংগা মরী লৈননা লমদম অসিদা উংখৎনবগী ফিভম হন্থহন্নবগী ফিভমশিং পুথোকপা য়াগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

লিয়ুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোরিয়ন পেনিন্সুলা পিছ এন্দ সেক্যুরিটি এফিয়ার্সকী স্পিসিএল রিপ্রজেন্টেটিব নো ক্যু-দুককা ৱারী শান্নদুনা হন্দক্তা পেনিন্সুলা অদুদা ওইরক্লিবা সেক্যুরিটিগী অরুবা ফিভমশিংগী মতাংদা লৈরিবা মখোয়গী এসেসমেন্টশিং ফোঙদোক্ল গনি অমসুং ফিভম অদুগী মেনেজ মেন্টদা কো ওপরেসন পীননবগী লন্বীশিং খন্নগনি।

মহাক্না ফোরেন এফিয়ার্স অমসুং যুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিশিংগী সেনিয়র ওফিসিএলশিং অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী টোপ ওফিসিএলশিংগসু উন্নগনি।

# টুরিষ্টশিং লাকপা চাদা ৬৬৩ হেনগৎখি

নোমপেন, মে ২ (এজেন্সী):
চহী অসিগী অহানবা থা মরিগী মনুংদা কম্বোদিয়াগী মমিং লৈরবা অঙ্কোর আর্কিওলোজিকেল পার্কতা ফোরেন ভিজিটর ৩৩,২০৫ লাক্তুনা মমাঙগী চহীগী হায়রিবা মতম অসিদা লাকখিবা টুরিষ্ট মশিংদগী চাদ ৬৬৩ হেনগৎখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সাইট অদুনা লাকহল্লিবা গ্রোস রিভেন্যু দোল্লর মিলিয়ন ১.৩৫ তি জনুৱারী-এপ্রিল মনুংদা টিকেট য়োনখিবদগীনি। মদু মমাঙগী চহীদগী চাদ ৬২২ হেনগৎখি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা অঙ্কোর ইন্টরপ্রাইজনা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি।

হৌখিবা এপ্রিল খক্তদা অঙ্কোর আর্কিওলোজিকেল পার্কতা ফোরেন ভিজিটর ১৩,৩৬৫ লাক্তুনা টিকেট খক য়োনবদগী দোল্লর ৫৩৭,০০০ তানবা ঙমখি। ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা টুরিজমগী থবকশিং মপুং ফানা হান্নগী ফিভমদা লাকপা হৌখিবা নবেম্বরদগী ভেক্সিন কাপ্লবা ট্রাবেল্লরশিং ক্বারেন্টিন তৌদনা চঙবা য়াহনখিবদগীনি।

টুরিজম মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেন সোফিকনা হায়, হৌজিক অঙ্কোরদা নুমিৎ খুদিংগী ফোরেন টুরিষ্ট ৪০০ রোম লাক্লি। হৌখিবা চহী অনী অসিদা পেন্দেমিক মনুংদা ফোরেন টুরিষ্টশিং লাকপগী চাং চাদ ৭০ ওইরম্বদগী তপ্না তপ্না হেনগৎলক্তুনা হৌজিক্কী চাং অসি য়ৌরকখিবনি।

# মাদিনাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা পাকিষ্টানি পুলিসনা হান্নগী পিএম খান অমসুং অতৈগী মায়োক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, মে ২ (এজেন্সী):
সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা প্রোফেট মুহামদকী মোস্কতা পাকিষ্টানগী দেলিগেসনগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা পাকিষ্টানি পুলিসনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান, মহাক্কী গভর্নমেন্টগী টোপ ওফিসিএলশিং অমসুং অতৈ মমিং পন্দবা ইন্দিভিজুএল চা কয়াগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

মেদিনাদা লৈবা প্রোফেটকী মোস্কতা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর মরিয়ুম ঔরঙ্গজেব অমসুং নার্কোটিক্স কন্ত্রোলগী মিনিষ্টর সাহজাইন বুক্তিবু ইকায়বা নঙহনখিবগীদমক্তা ইরাই নুমিত্তা মাদিনা পুলিসনা য়ামদ্রবদা পাকিষ্টানি নেসনেল মঙা ফাখি।

প্রোফেটকী মোস্ক অদুগী কোর্টয়ার্দতা পাকিষ্টানি নেসনেলিটি ওইবা নুপী অমা অমসুং মহাক্না লোইনরিবশিংবু ইকায়বা পীবা অমদি তাথি তাওইনা তৌখিবগীদমক্তসু মীওই কয়া ফাখি।

মাদিনা পুলিসকী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোরকখিবদা মীওইশিং অদুনা চত্থখিবা থৌওংশিং অদু মীয়াম্না মফম অদুবু ইকায় খুম্ননরিবা অদুগা তাইওন্নৈ অমসুং সস্পেক্টশিং অদু লিগেল প্রোসিজরশিং লোইশিল্লবা মতুংদা মতিক চাবা ওথোরিটিশিংদা রিফর তৌখ্রে।



পাকিষ্টানদা কেস অদু ব্লাষ্টফেমি লোশিং হায়নসু খঙনবা পাকিষ্টান পেনাল কোর্টকী সেক্সনশিং ২৯৫-এ, ২৯৬ অমসুং ১০৯ গী মখাদা ফাইসালঅবাদকী মাদিনা টাউন পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখি।

সেক্সনশিং অদু লাইনিং লম্বী অমবু ইকায়বা পীনবগী ৱাখলগা লোয়ননা লাই খুরুম্ফম অমদা অকায়বা পীনবা হোৎনবগা মরী লৈনৈ। কেস অদুদা নোমিনেট তৌখিবা হান্নগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর চৌধুরি ফাৱদ হুসেননা ট্যুটর পোষ্টতা হায়খি, মদুদি ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ইন্সট্রক্সন মখাদা এফআইআরশিং পরিং নাইনা লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

মসিবু ঐখোয়না মায়োক্লগনি। ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর) দা মমিং পল্লিবা অতৈশিংদুগী মনুংদা হান্নগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সেখ রাসিদ অহমদ, মহাক্কী মরী মতা সেখ রাসিদ সাফিক, নেসনেল এসেমব্লিগী হান্নগী দিপ্যুটি স্পিকর কাসিম সুরি, সহিব জাগা জহাঙ্গির অনিল মুসরিট য়াওখি।

কমপ্লেনেন্ট মোহম্মদ নায়িম্না হায়খি, মদুদি প্রোফেট মুহমদকী মোস্কতা থোকখিবা থৌদোক অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌখিবা অমদি লৌতুনবদগী ওইরকখিবা থৌদোক্লি।

দেলিগেসন অদুনা সাউদি অরাবিয়াদা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা পিটিআইগী লুচিংবশিংনা পীবা ৱারোলশিং য়াওবা ভিদিওশিং অদুগী ইভিদেন্সনি। মালেমগী মুস্লিমশিংগী সেন্টিমেন্টশিংদা শোকহনবগীদমক মশক খঙদবা এক্যুজ ১০০-১৫০ গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা নায়িম্না পুলিসতা হায়জখি।

কেস অদু রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা নেসনেল এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইরিবা অহমদকী মরী মতা অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউদি অরাবিয়াদগী ইস্লামাবাদ এয়রপোর্টতা থুংলবা মতমদা ফাখি।

পাকিষ্টানদা ব্লাষ্টফেমি হায়বসি য়াম্না লুবা ইস্যু অমনি। ব্লাষ্টফেমিগা মরী লৈনবা এলিগেসনশিংনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ইরাং হৌদুনা মাঙহন তাকহনবা অমদি মী হাৎপগী থৌদোক কয়া মমাঙদা লৈবাক অসিদা থোকখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# যুকেবু সমুদ্রগী ইরোলনুংদা লুপহনগনি হায়না কিহনখ্রে

লন্দন, মে ২ (এজেন্সী):
রসিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা মহাক্কী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা যুকেবু মেপতগী লৌথোক্নবা তকশিনখ্রে।

পুটিনগী মাউট পিছ হায়না খঙনবা দমিট্রি কেসিলয়োবনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবগী শো অমদা ঈশিং মনুংগী ওইবা পোসিদোন দ্রোন অমা শীজিন্নদুনা যুকেদা এটেক্ট তৌননবা আপিল তৌখি।

নাইট শো অদুদা মহাক্না হায়খি, মদুদি অন্দর ৱাটর দ্রোন অদুনা ফিট ১৬০০ ৱাংবা রেদিও এক্তিবকী ইথক কাহনগনি অমসুং বৃটেনবু সমুদ্রগী ইরোলনুংদা লুপহনগনি।

দ্রোন অদু মেগাটোন ১০০ ফাওবগী ওইবা ৱারহেদ অমগী কেপাসিটি লৈ হায়না ক্লেম তৌরদুনা কেসিলয়োবনা হায়খি, মদুদি ষ্ট্রেংথ অদু হিরোসিমাদা থাদখিবা বোম অদুগী শরুক লিশিং কয়া ওইগনি। মদুনা ফিট ১৬০০ ফাওবা ৱাংগদবা অচৌবা ঈথক ঈপোম হৌহন্দুনা ইংলেন্দগী খ্বায়দগী ৱাংবা পোইন্ট ওইরিবা স্কেফেল পাইক য়ৌগদবা তঞ্জায় ফাওবা কাহনগনি।

কেসিলয়োবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সমুদ্রগী অচৌবা ঈথক ঈপোম অদুদা রেদিএসনগী দোজ কা হেন্না ৱাংনা য়াওগনি। মদুনা বৃটেনদা থোমজিন্দুনা লৈবাক অসিগী লৈহৌরিবা মফম খুদিংমক থবক খুদিংমক্তা শীজিন্নবা য়াররোইদবা রেদিও এক্তিব লৈকংলা ওন্থোক্লগনি।

কেসিলয়োবনা মখা তারদুনা যুকেবু থাখায়রোমগী মমাঙদা পুটিননা চাংয়েং তৌখিবা রসিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল সমার্ট ২ শীজিন্নদুনা এটেক্ট তৌগনি হায়নসু কিহনখি। মহাক্কী মতুং ইন্না মিসাইল অদুনা যুকেবু অমুক্তদা মপুং ফানা মাঙহন তাকহনবা ঙমগনি।

মহাক্না হায়, যুকে অসি অসুক্কী মতিক পীকই অমদি সমার্ট মিসাইল অমনা লৈবাক অসিবু মতম পুম্নমক্কী ওইনা ঈশিং ঈরোলনুংদা লুহনবা য়াগনি। দেলি মেলনা কেসিলয়োবকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, সমার্ট মিসাইল অসি টেক্সাস নত্ত্রগা ইংলেন্দমুক চাওবা এরিয়া মপুং ফানা মাঙহন তাকহনবা ঙম্মী। লোঞ্চ অমখক্না ইংলেন্দবু মেপতা য়াওহল্লোই।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 95/SDC/IW-L/2022**

Yendrembam Tamphamani Devi, W/o Mangi Singh of Loitang Khunou Makha Leikai - Petitioner

-VS-

Late Thounaojam Indramani Singh, S/o (L) Ibocha Singh of Lamdeng -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

29-4-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থৌনাওজম ইন্দ্রামনি সিংহ পী: মৃ: ইবোচা সিংহ সাং লমদেংগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৭০৮ দাগ নং ৫৪৭/৭৭৯ গী এরিয়া .০৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/2610/3

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 157/SDC/M/2022**

Seikhohao, S/o (L) Thangkhohem of Molphei Tampak

-Vs-

Late Thangkhohen, S/o Lunsei of Molphei Tampak.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 2nd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ..... (অরিবা) অমসুং ১৪৭৬ অনৌবা সী এস দাগ নং ৫৩০১, ৫৩০২ অমসুং ৫১৬৯ এরিয়া ০.২৮ + ০.৮৯ + ১.৩৩ = ২.৫০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ:পট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2611/3

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 97/SDC/NTK/2022**

Sagapam (N) Thiyam (O) Sana Devi, D/o (L) Keinahal Devi of Ningthoukhong Kha-Khunou - Petitioner

-Versus-

Late, Sagapam (N) Keinahal Devi, D/o (L) Ango Singh of Ningthoukhong Kha - Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 2nd May, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha গী Patta 175 (O), 712,824/3039 (N) C.S. Dag 3440 0.045 acres গী Ingkhol ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Apati অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/2615/3

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 39/AS&SO/X** **Date 02/05/2022**

Nongthombam Lanchandra Singh, S/o Late Nongthombam Labango Singh of Luwangsangbam Awang Leikai – Petitioners

-Vs-

Late Nongthombam Labango Singh, S/o Late Tingong Singh of Luwangsangbam – O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, 02/05/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam পাট্টা নং. 18/Angh অরিবা 147/468 অনৌবা দাগ নং. 1266 এরিয়া .57 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Nongthombam Labango Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরি মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১০-৫-২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X, Manipur**

HL-P/2612/3

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 156/SDC/M/2022**

1.Oinam Harikumar Singh, S/o Late O. Dareek Singh of Thangmeiband Khomdram Leikai, Imphal
2. Oinam Mani Singh, S/o Doyanidi Singh of Tronglaobi Awang Mamang Leikai

-Vs-

Late Oinam Dareek Singh, S/o (L) O. Gourahari Singh of Tronglaobi

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 2nd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ১৩৩৫ (অরিবা) অমসুং ৯২৩ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৩২১০ অমসুং ৩২০৯ এরিয়া ০.৬৪ অমসুং ০.৬৯ অপূনবা এরিয়া ১.৩৩ একর চাওবা লম-ইঙ্খোল, ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুন হায়রিবা লম অসিগী মৃ:পট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2611/3

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 246/AS&SO/TBL** **Date 18/04/2022**

Khundrakpam Nungshi Devi, W/o (L) Subon Singh of Thoubal Awang Leikai – Petitioners

-Vs-

(Late) Pattadar, Khundrakpam Subon Singh, S/o (L) Borajao Singh of Thoubal Awang Leikai, Co-Pattadar No.3 – O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, 02/05/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং 28-Thoubal অচৌবা পাট্টা নং. ৭৪/অং পাট্টা নং ১৫১/২৩৪৬ (অনৌবা) দাগ নং. ৪০/২১৪ এরিয়া .১০৩২ হে: চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং. ৩ শুবা খুন্দ্রাকপম সুবোন সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পট্টাদারগী মমিং কক্লগা মৃ: পট্টাদারগী লোইনবী খুন্দ্রাকপম নুংশি দেবী দংকারিগী মমিংদা কো:পট্টাদার ৩ শুবা মৃ:গী লম শরুক এরিয়া .০১৬১ হে:গী লম অসি নমা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্ত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-M. Ningthembi Singh**
**Assistant Survey & Settlement Officer-Thoubal, Manipur**

HL-P/2614/3